# ইম্ফাল ৱেষ্ট থার্দ দিভিজন লীগ



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা মালোমদা চথুরকখিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা সিকো লৌরেম্বম লৈকায়না ৱিন্নর ওইখ্রে। লীগ অসিদা এম এস সীনা অনীশুবা, আই দব্লিয়ু এস সীনা অহুমশুবা অদুগা এম ৱাই সীনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা মেচতা সিকো লৌরেম্বম লৈকায়না এম এস সী গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। সিকোগী গোল অনী অদু জসোবন্তনা চনখি। এম এস সীগী গোল অদুনা কে তোম্বনা চনখি। অরোইবা মেচতা আই দব্লিয়ু এস সীনা এম ৱাই সী গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। আই দব্লিয়ু এস সীগী গোল অহুম অদু টিঐচ কিরন, দব্লিয়ু পাইলোট অমসুং এল রাকেসনা চনখি। এম ৱাই সীগী গোল অনী অদু পি সামসন অমসুং এস জেমসন্না চনখি।

# ষ্টেট লেভেল হোকি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা নুপাগী টিম তরেৎ অমসুং নুপীগী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা তরেৎশুবা অন্দর ১৬ মেন'স এন্দ ৱিমেন'স ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী নুপাগী ফাইনেল হোকি য়ুনিয়ন অমসুং মৈরাঅনীনা শান্নরগনি। নুপীগী ফাইনেলনা সাই গুৱহাটি অমসুং সিয়োগা শান্নরগনি। ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা সেমী ফাইনেলদা সাই গুৱাহাটিনা ফার্ম গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা সিয়োনা আইদিএল ক্লব তেরা গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। নুপাগী অহানবা সেমী ফাইনেলদা হোকি য়ুনিয়ন্না ফার্ম গোল ৬-০ দা, অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা মৈরানা এস ৱাই য়ু সী গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

# ৱিন্নরস কপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ ববিনা হেলথ ক্যের অমসুং হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদকী স্পোন্সর মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চথুরিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২১ শুবা ৱিন্নর্স কপকী ঙসি হিশু থৌবালগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা চরাংপাৎকী প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদা হিশু অমসুং এম এ সী গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাইগী গ্রাউন্দদা দি এম রাওগী হোম গ্রাউন্দগী ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা দি এম রাওনা ৱাই য়ু এফ সী গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা দি এম রাওগী গোলশিং অদু খঙ্গাটরনা গোল অনী, থাংজোইলেন খোংসাই, ৱাই সুসিল কুমার অমসুং কে উমেসনা গোল অমমম চনখি।

# সোফ্ট বোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ

মণিপুর সোফ্ট বোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস গ্রাউন্দদা চথুরকপা ষ্টেট লেভেল সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপকী সেনিয়র মেন'সকী ৱিন্নর জি এল এল সগোলবন্দ সলাম লৈকায়না ওইখ্রে। রসন্নর্স-অপনা আই আর ৱাই সী কৈশাম্পাৎনা ওইখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদুদা জি এল এলনা আই আর ৱাই সী রন ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

৩১ শুবা সেনিয়র ৱিমেন'স সোফ্ট বোল চেম্পিয়নশিপকী ৱিন্নর আই আর ৱাই সী কৈশাম্পাৎনা ওইখ্রে। রন্নর্স-অপনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা ওইখ্রে। সব জুনিয়র বোইজগী ফাইনেলদা য়ু কে সী সাইতোন্না এন ৱাই দি ও নরান কোঞ্জিন রন ৭-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -২৯

1. মহাক ওলেম্পিক অহুমদা থংনা থংননা সনাগী মেদল লৌখি। নুপা অহুমদা থংনা থংননা ময়ূম পানখি। মতুংদা ফিল্ম কুমদুনা শেল য়াম্না তানখি। মশা নারক্তুনা প্রাইভেট প্লেন অমদা লায়েংবা চৎপদা লম্বীদা প্লেন মনুংদা লৈখিদবী শান্নরোয় অদু কনানো?
2. লারসো লুইখাম করি মশান্নদা মমিং চৎলি?
3. পেরেলেল বার পুথোক্লম্বা নিপা অদু কনানো?
4. শগোল কাংজৈ শান্নবদা পাঞ্জেলবগা মায়োক্নবা টিমগী করম্বা পোজিসন্দা লৈবা শান্নরোয়গা লম্বা পান্নগনি?
5. উৎলিবা পিকচর অসিদা মেদল চিক্লিবা অসি কনানো? ☞



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-B/3464/10/10-09/12



HL-B/3433/30 to 29 Nov.




